# মীতৈ/মৈতৈগী য়েক্লবদি ঈ শেংদবা মীশিংনি



অচুম্বতনা মায় পাক্লকখিগনি
কর্নেল হাওরোংবম সরত (রিটাইয়র্দ)
শোখরবশিংদা কথোকচবা

হন্দক ইন্দিয়াগী 'গ্রেটেষ্ট ফেষ্টিবেল ওফ দেমোক্রেসি' গী মমিংদা ১৮শুবা মেম্বর ওফ পার্লিয়ামেন্টকী ইলেক্সন খ্বাইদগী অঙকপা মওংদা পাঙথোকখি। এপ্রিল ১৯, ২০২৪ ইরাই নুমিৎ ওইখি ভোট থাদবা নুমিৎতু। খুন্নাই অসিগী থম্মোয়গী চপ চাবা থবক্তি ইলেক্সনগী ভোট থাদবা নুমিৎসিদা ময়েক শেংনা খঙলি অমসুং উৎলি। মণিপুর হায়রিবা পোক্লফম লমদম অসিদদি লাইরিক-লাইশ্রুগী মঙাল অমত্তা মশানা মশাবু খঙজবা অমসুং খন্থবগী ৱাখল অমত্তা য়াওরমদ্রে। লাইরিক পাদ্রবা, তমদ্রবা অদুগা মীওইবগী লাইশ্রু হায়বগী কোকসি পান্দ্রবদি খুন্নাই অদু নোংম-নোংমগী মরাই চাইথরকপা তাবনি। হৌজিক ওইরিবা লৈঙাক্কী ফীভমসি মমাঙদসু ওইখিদ্রি অমসুং মতুংদসু অমুক হন্না ওইররোই। দেল্লীগী রোবোট ঙাক্তনি হৌজিক্কী লৈঙাক ওইরিবসি।

ইন্দিয়াগী চাওখৎতবা, লাইরিক-লাইশ্রু হৈতবগী ৱাখল খন্থবা ঙমদবগী কোকশিংনা ইন্দিয়া অমসুং মণিপুরবুসু পানবদগী মীচম মীয়াম ঙমখৈ লৈতনা ৱানা হিংলি। মীয়াম্না খন্থবা ঙমদ্রি মখোয়সি অদুক্কী মতিক ৱানা হিংলি। অদুগা হিংলিবা পূন্সি মহিংসি করম্বা মওংনা ফগৎপা ঙমগনি হায়বসি খন্থদ্রে। ৱাফম অসি খ্বাইদগী হেন্না য়াম্না লূম্না অমসুং মুন্না খন্থবীয়ু - করিগীদমক্লো মীয়ামগী য়াম্না লুরবা শেলনা লৈবা ফংলরোইদবা চহী ৫গী মনুংদা অমুক্তা ফংবা হক হায়বদি ভোটিং রাইট অদু লুপা ২০০/৩০০/৫০০দা য়োন্থোকপীরিবনো? শেলনা লৈবা য়াদবা মী অমা ওইনা হিংবীয়ু। মালেম পূম্বগী লন-থুম্না ইজরিবা ঐহাক্কী ভোটিং রাইট অসিদি লৈবা ফংলোই।

চহী ১/২ অসিদা ইন্দিয়াগী লৈঙাক্তা, দিক্টেটরশিপকী মওংদা নম্ফু-হাফু কয়া পাঙথোকখি অমসুং পাঙথোক্লি। অফবদি ইয়াও য়াওদে, পাঙথোক্লিবা থবকশিংসিদা। হৌজিক ওইরিবা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর অসিদি মীওইবা খুন্নাইগী মনুংদা খ্বাইদগী অনেম্বা থাক্কী থবকশিং পাঙথোক্লি। মীনম্বা ঙাঙবসি মহাক্কী ঈদা য়াওখ্রবনি। মহাক মতোমতা মীনমজরি হায়বসি মহাক খঙজদে।

ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং হোম মিনিষ্টর অনীমক্না ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুসন, লোনচিংবা পূম্নমক শেমদোক্লি। তৌবদি ইন্দিয়াদা হৌজিক চৎনরিবা লো অসিদি বৃটিশনা শেম্লম্বা লো ঙাক্তনি। কুমজা ১৯৪৭কী মনুংদা ইন্দিয়াগী ওইবা লো অমত্তা ইন্দিয়নশিংনা ইদ্রি। Sir Winston Churchill না কুমজা ১৯৪৬তা হায়খিবা ৱাফমশিং অদু ইন্দিয়াদা য়াম্না চুম্না থোক্লি। ইংলিস হায়বসি মালেমগী লোলনি। ইংলিসকী লোলসি খঙদ্রবদি মপূং ফানা থবক তৌবা ঙম্লোই। পৃথিবীগী ৱাফম অমা পুথোক্লগা খন্নবদা ইংলিস লেংগ্বেজকী রিফরেন্স বুক, মীদিয়া চেনেলশিংদা লোল অদু ইংলিস ওইরি।

ঐখোয়গী ফূরুপ অসিদি শামরক-ঙামরক ওইরম্বা জাৎনি। মসিগী খুদম হায়ববু অফবনা কনানো? ফত্তবনা কনানো হায়বসি খন্দোকপা ঙমদবা কাঙলূপনি। মীতৈ ফূরুপ্পু করিসু ওইনা খনবিদ্রবা ময়াং মচা অদুবু পার্টিদা মীয়াম্না হো-হো লাউরিবা অদুনি ঙক্লিংঙাইসি। ঐখোয় পূম্নমকসি কনা অমত্তগী মখাদা হিংলোইসি। ইনীং তম্না, মকা লাম্না ঐখোয় পূম্নমক হিংসি। হৌরকফম-চারকফম মফম মরাং খঙদ্রবা, ওক্তবা-ওক্তবীগী লীচৎ-শাজৎ চৎপা কনা অমত্তগী মখাদা ঐখোয় হিংগদৌবা নত্তে। করেক্টর হায়বসিনা মীওইবগী খ্বাইদগী লুবা ৱাফম্নি। লমচৎ-শাজৎ চুমদবা মীগী মফম পীরোইদবনি।




ইন্দিয়াদা দেমোক্রেসি চৎনদ্রে। দিক্টেটরশিপকী মওংদা লৈবাক ঙাক্লি। লৈঙাক পায়রিবা মখোয়না তৌনীংবা তৌরিবসিদা অরানবনি হায়রুরবদি জেলদা হেক্তা থল্লি। অরানবা পাঙথোক্লিবনি হায়বদুদি মখোয় মতোমতা খঙজদ্রে। অরানবা, চুমদবা, হুরানবা, ওক্তবা, ফত্তবগী মহীক মপীদি মীরেপ ফম্নাইবশিংনি হায়বসি কাউরি। মীওইবগী মপোক করিনো খঙজদবা হংলাই ফম্নাইবা ঙাক্তনি। ঙসি ফাওবদা মণিপুরগী ফম্নাইবা মকোক ওইরম্বা চীফ মিনিষ্টর অমত্তবু মীচম মীয়াম্না শোন্নদ্রিবসি করিগীনো? মখোয়না তাইবঙপাল থাদোকখিবদা কনা অমত্তনা, লূপ অমত্তনা থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইতবগী ৱাহৈ অমা ফাওবা চিন্দগী নৎত্রগা মীদিয়া চেনেলশিংদগী তাবা নৎত্রগা উবা ফংদ্রি। হৌজিক্কী মতমসি থায়নগা ইমান মান্নদ্রে। মীনুংশিসি ইরৈ লৈরক্লে, মীশিংগী মরক্তা।

ইন্দিয়াগী লৈঙাক্লা ফম্নাইবশিং থোক হেক ফারগা জেলদা থল্লি। বেলদা হেক্তা থাদোকপসু য়াদ্রে। মখোয়না শেমদোক শেমজিন তৌরি। চাওখত্তবা মখোয় মশেল মরৈ মরা য়েৎনবনি। মসি চাওখৎপগী খুদম নত্তে। পাল্লিবা পোলিটিকেল পার্টি অসিনা অতোপ্পা পোলিটিকেল পার্টিদা ওৎপা-নৈবা য়াবা মখৈ নৈরি। থাক য়াম্না অনেম্বা মীগী থবকশিং চথুরি। ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ঈ সী আই) অসিসু পোলিটিকেল পার্টি অমগী পোকেটতা চঙখ্রে।

মণিপুরদা হন্দক পাঙথোকখিবা এম পি ইলেক্সন অদুবু করম্বা মখলগী ইলেক্সননো? ঈ সী আইবু কনানা ইকায়খুম্নগনি। পোলিটিকেল পার্টি অসিনা পাঙথোকনীংবা পাঙথোকপা য়ানবা মখোয়না হায়বা ইনগদৌবা আই এ এস ওফিসর অসিবু ইলেক্সন কম্মিস্নর হাপ্লগা ইলেক্সন অসি চৎন-কাঙলোন অমত্তা ঙাক্তনা ইলেক্সন অসি মায় পাক্লবা হোৎনখি। মখোয়গী জঙ্গলগী কলচর অদুদি মণিপুরগী পুৱারীদা ময়েক শেংনা লৈহৌরগনি। হৌজিক্কী মতমগী মীদিয়া চেনেলশিংসি মীওই খরগী থৌশিলদগী কাঙবু খরগী ওইখ্রে হায়বসি ময়েক শেংনা উরি। জর্নেলিজম ইথিক্স হায়বসিদি শেলনা লৈবা য়াবা নত্তে। অদুবু শেলনা লৈবা ফংদবা পোৎ অমত্তা লৈতবা মফম অসিদদি থোইনা ঙক্লিংঙাই লৈতে। জর্নেলিজমগী ৱর্ল্ডদা Frank Moraes, Cho Ramaswamy, Kushwant Singh, Kuldip Nayar নচিংবা কলমনিষ্টশিংসি Thorough Gentlemen ঙাক্তনি। মখোয়সি শেলনা লৈবা য়াবা অমত্তা নত্তে। হৌজিক্কী মতমদি মীগী মতিক-মগুণসি কয়া য়াম্না হন্থখ্রবগে হায়ববু মীদিয়াগী মীশিং পুরগা চৎলি অদুগা লোয়ননা মীটিং অদুদা খূবাক খূরক্লবা মীওই কয়াসু গাড়ীশিংদা পুরগা কোইচৎ চৎলি। সিন অসি হন্দক এম পি ইলেক্সনগী মতমদা উখি।

খুন্নাইসিদা পুকচেল শেংদবগী খুদমসি মশীং খঙদনা উরি। ঐখোয় পুকচেল শেংদ্রবদি মপোক অসিমদি নুংঙাইনা হিংবা ঙম্লোই। পূন্সি নুংঙাইনা লৈগে হায়রবদি মীনম্বা ঙাঙলোইদবনি। পুকচেল শেংগদৌবনি। মীনম্বা, পুকচেল শেংদবা, লমচৎ-শাজৎ চুমদবা, মশাগী ওইজবতা খনবা মীদুনা তাইবঙপাল থাদোকখিবদা মীপূম খুদিংনা হরাওগনি।

হৌজিক ভোটিং রাইট ফংলিবা নখোয়না তুংগী জেনরেসনগীমক খল্লগা ভোট থাদরম্লবদি কয়াদা ফগনি। লুপা ২০০/৩০০দা তুংগী মীরোলশিং য়োন্থোক্লম্বদু নুংঙাইতে। হন্দক্কী এম পি ইলেক্সন অসিদা মাঙজরিবসি ঐহাক্তি নত্তে। মণিপুরগী মফম খুদিংদা, কাচিন কোয়াদা চৎলগা মীচম মীয়াম উনজৈ। মখোয়গী অৱাবা-নুংঙাইতবা পূম্নমক থৱায় য়াওনা তাজখি অমসুং অঙম্বদু মতেং পাংগে খঞ্জখি। অদুবু কোব্রাগুম্বা, দার্কুলাগুম্বা করপসনগী মহীক মপীশিংগী লাংদা মীচম মীয়াম থুখ্রে। অপঙবদি ৱানা পূন্সি লেনবা তাবনি।

ইজরিবা পাউচে অসি পাবিবা নৎত্রগা পাবীদবা খুন্নাইসিগী মীয়ামদা খঙহঞ্জনীংবদি - হন্দক এম পি ইলেক্সনগী মতাংদা আর কে প্রদক্সনগী ইন্টরভিয়ু অদুনা ইজরিবা ঐহাকসি মালেমগী কাচিন কোয়াদা মশক খঙবদগী মোবাইল ফোনদা কোল য়াম্না লাক্লি। থম্মোয়না হরাওই। মণিপুরগী মীয়াম্না ঐবু মশক খঙদে হায়বসিদি ঐনা শেল য়েন্দবগী মরম্ননি। শেল য়েল্লগা ইলেক্সনদা মায় পাকপা পাম্বা ঐদি নত্তে। মীয়াম্না করেক্টর য়াওদ্রবা, করপসনগী মপীদগী শেল লৌরগা ইলেক্সনদা মায় পাকহনবদুনা তুংগী মীরোলদা করি অফবা পুরকপগে হায়বদু খন্থবীয়ু। ঐহাক্তি রবর ষ্টাম্পকী অঙাং, মহৈরোয়, আর্মি ওফিসর ওইরক্তে। অরানবা (injustice) দি খাঙবা ঙমদে। খুন্নাই অসিদা করেক্টর য়াওনা হিংবা মী তাঙলি। দিসিপ্লিনগা লোয়ননা পূন্সি হিংবসু য়াম্না য়ামদে। করপসনদি মী অয়াম্বগী ঈদা য়াওরি।

ঐগী ৱাখলগা থবক্কা লমদম অসিদা লৈরিবা মীয়ামগা য়াম্না খেন্নবগী খুদমশিং উখ্রে। পোক্লফম ইমাগী মফমদা তৌফম থোকপা ইথৌদু থৱায় কথোক্লবসু কথোক্কে খল্লগা ইথৌশিং মথং-মথং পাঙথোক্লবা হোৎনজবনি। অদুবু অয়েৎ-অপন্না পীক থল্লি। পূম্নমকসিদগী য়াম্না তোঙান্না ঐবু মালেমদা মশক তাক্কে হায়দুনা ইনাক্তা লাকখিবা ইচাগুম্বা রোমেন্দ্রজিৎ অমসুং কভিতাদি মীয়ামদগী তোঙাল্লি। মবানিনি আর কে প্রদক্সন হায়রিবসি। ইচম-চম্মী। মবানি Materialistic World দা ৱাখল চঙদে। ফজ-ফজবা কয়াসু মখোয়না মতুংদা পুথোকপা ঙম্বা ওইরসনু। মতম পূম্নমক্তা ইচাগুম্বা মখোয় অনীগী প্রদক্সন অসি মীয়াম্না পাম্নবা নুংশিজরবা খুদোল ওইরসনু। মসিগা লোয়ননা মিস কভিতাগী অপোকপা হিজম নিরেন অমসুং অপোকপী রুপাবুসু ইকায়খুম্নবা উৎচরি। মপা-মমা অফবনা মচা অফবী পোকপী হায়বসি হৌনশা ওইরল্লি। ইয়াম্বা ইতৈমবুসু খুরুমজরি। ●

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৮৯

১) **"মণিপুরী গৌড়ীয় বৈষ্ণব ধর্ম্ম অমসুং তিন প্রভু"** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবগে?

২) **"মীৎকূপ খরদং"** হায়না মীংথোনবা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্নো অমসুং অইবগী মমিং করি কৌবগে?

৩) **"মচাথোই অমসুং লাইচনুরা"** হায়রিবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

৪) **"এদোরেসন ওফ মাদর"** হায়বা লাইরিক অসি মণিপুরীদা ইবা লাইরিক অমদগী ইংগ্রাজিদা হন্দোকপনি। লাইরিক অসিগী ওরিজিনেল অদু কনানা ইবা, করি মমিং কৌবা লাইরিক্নো অমসুং কনানা হন্দোকপগে?

৫) **"অদ-তাইয়ে!"** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবগী মমিং হায়য়ু অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিক্নো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মে ১৫, য়ূমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৮৮গী অচুম্বা পাউখুম থাবীরকখিবশিংদি*

১) সোরোখাইবম ব্রোজেন্দ্রো, ইরমসিফাই মমাঙ লৈকায় - (২,৪,৫)

২) মাইস্নাম বুধ, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায় - (২,৩,৪,৫)

৩) তোংব্রম জিবোন, লাংজিং অচৌবা মখা লৈকায় - (২,৩,৪,৫)

৪) লাইশ্রম এলেনা, তোপ খোংনাংমখোঙ - (২,৩,৪,৫)

***৫) অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায় - (১,২,৩,৪,৫)***

৬) থিয়াম রাজেন্দ্র লুৱাং, থাংমৈবন্দ থাও কমপ্লেক্স - (২,৩,৪,৫)

৭) মাইবম কাঙজাম্বা মৈতৈ, লোইতাং খুনৌ মনীং লৈকায় - (২,৩,৪,৫)

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ৮৮গী ৱিন্নর*

***অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায়***

**লিটরেরি ক্যুইজ ৮৭কী শেলগী মনা অসি ৱিন্নর ওইরবা মীওই অসিগী বেঙ্ক একাউন্টতা ওইনা হাপচিঞ্জরগনি।**

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৮৮গী পাউখুম

১) **"রাজা ভোজ অমসুং কালিদাসকী ৱারী"** হায়বা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে? **:- মণিপুরীদা হন্দোকপা - ডা. এম অচৌবী শাস্ত্রী, অহানবা ফোঙবা - জুলাই ২০১৮।**

২) **"য়েকখ্রবা ময়ি"** হায়না মীংথোনবা লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিক্নো? **:- অইবা - এম এম অহমদ, লাইরিক্কী মখল - ৱারীমচাগী লাইরিক, অহানবা খূৎনম : ওক্টোবর, ২০২১।**

৩) **"ঐগী ঈশৈ নঙগী শুর"** হায়রিবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো? **:- অইবা- থৌনাওজম সামো সিংহ, লাইরিক্কী মখল - ঈশৈগী লাইরিক, অহানবা ফোঙবা : ওক্টোবর, ২০১২।**

৪) **"ফিদম"** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবগী মমিং করি কৌবগে? **:- অইবা অহুম (ক) খ্বাইরাকপম চাউবা (খ) এল লালবাবু সিংহ (গ) ইবোপিশক লুৱাংনা লাইরিক মমিং অসিমক্তদা মান্নদবা চহীশিংদা ইদুনা ফোঙখি।**

৫) **"তাবুনুংগী লীক্লু পরেং"** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্নো অমসুং কনানা ইবনো? **:- লাইরিক্কী মখল - রেদিও প্লে, অইবা - খ্বাইরাকপম সুনিতা, অহানবা ফোঙবা : জুন ২০২২।**

# মণিপুর ইমানা য়াইফরে

- খোইস্নাম ধিরেন মীতৈ -

নুংশিদ্রিবরা মণিপুরসে। মসিমদি নুংশিদে হায়দুনা খন্দোক্লীংঙাই অমত্তবু লৈরক্তে ইরমদমসে। তুশোন্নরবা ঐখোয় ইশাবুসু নুংশিজেদো। থৌনা ফরম্বা সী এস ওশিংসু নুংশিদো। থৌনা ফরবা মণিপুরগী সিফাই থানাশিংসু নুংশিদো। লৈঙাক্কী য়াথং ফংদদুনা মখোয়গী মীৎমাংদা অশোন অনা ফুবদা তূমিন তূমিন লেপ্পগা য়েংদুনা লৈবদু উরগসু কনানবু নুংশিরোইদগে। মরমদম মজাতি কন্ননবা করি তৌগদগে খঞ্জদ্রবা ঐখোয়গী লৈঙাকপশিংবুসু নুংশিদো। করি অমুক হায়রুনি দেল্লীগী য়াথং ফংদবদৈ মরোন মরৈ ফাইরগা কুম লায়না নারবা মীগুম হিংলিবা লৈঙাকপশিংনা থৌনা ফবৈ ৱা ঙাঙলকপদু তারুরগা নুংশিবনা থল্লিদো। নুংশিবগী নুংশিবা ঙাক্তনা পুমথন থল্লে মণিপুরসে। চীংয়াগা থংননা লৈরিবা মৈরা পায়বীশিংনা নুমিৎ খুদিংগী থেংনরিবা অৱাবা মৈশা কয়াসি করিমত্তা খঙদনা হিংলিবা মৈরা থোক্তবা মৈরা পায়বীশিংবুসু নুংশিদো। অরাম্বাই শারগা হনুবী ফূবদা অরাম্বাইনা করিম হায়দবসিসু নুংশিদো। মীতৈ মীনা উশিৎপীদ্রে হায়বা খঙজদদুনা চাউজরিবা মীতৈ ওফিসরশিংবুসু হায়ফম খঙদনা নুংশিদো। কুকিনা মীতৈ হাৎপদা করিম হায়দ্রবা ইন্দিয়ানা মীতৈ কনবীদৌরি হায়দুনা হরাওজরিবা নখোয়বুসু নুংশিদবা ঙমদেদো। মীতৈদি চহী লিশীং অহুমগী পুৱারী লৈবনিনা চুড়াচান্দপুরদা খোঙ্গুন তাবা ঙমখিদ্রে। ইশাগী ওইবা ময়েক লৈজবা চাওখৎপা মীতৈনিনা ময়ূমদগী মপান থোকপা ঙমদ্রে। মণিপুর কায়বা য়ারোই হায়দুনা লাউরগসু লৈঙাক্না শন্নদবা মণিপুর মচেৎতি লৈরে। ফীভম অসি য়ৌরবদা তূমিন্না য়েংদুনা লৈরিবা মীতৈগী ইচিল ইনাও ওইরিবা নাগাশিংবুসু নুংশিদো। মীতৈনা চৎপা য়াদ্রবা মণিপুরগী মফম খুদিংদা কোইচৎ চৎলিবা মীতৈ পাঙলশিংবুসু নুংশিদো। ইন্দিয়া লৈঙাক্না ঙাক শেন্দুনা থাদোক্লিবা কুকিশিংগা লান্থেংনরিবা ইচা ইনাওশিংবুসু লৈঙাক মপূনা শান্নবীবা উরগসু নুংশিদো। চহী অমা চূপ্পা লান শোক্লবদৈ তুংগী পূন্সি লম্বী লম্মাংনরবা অপীকপা ইচাশিংগী পূন্সিনা করম থোক্লগবা হায়বসিসু নুংশিবা য়াই। নুংশিবা ঙাক্তনা থল্লবা মণিপুর ওইরে ঙসিদি।





মীতৈ মচাসু মীনিনা শ্বর হোল্লি। অদুনা হৌজিক ফাওবদি অহিংবা ওইদুনা অমগা অমগা মরক মরক্তা উনরি, থেংনরি। থৌনা লৈবা মীতৈনা কুকিশিং ৱারক্লগা তোকচখিনি হায়দুনা পঙখন্দা খঙনরি। তুংগী পোরম উদ্রবসু থোক্লবা অমা অদুম লাকচগনি হায়না চেৎনা থাজবা মীতৈ লুচিংবশিং কুকি লুচিংবশিংগা থবক শূমিন্নরি। লৈবাক ঙাকমিন্নরি। কুকিনা মীতৈ হাৎলক্লিবসি পোপি পাম্বী য়াম্থৎলুবগীনি হায়বা খঙবা লৈঙাক অসিনা খঙজদবা মীয়ামদা শন্দোকপনা লৈঙাক্কী মথৌ ওইরি। মীয়াম্না অহিং তূম্নদ্রবসু ইন্দিয়াগী সিফাইনা মীয়ামগী লন-থুম অমদি পূন্সি ঙাকপীরি হায়বগী খুদম ওইনা লৈঙাক মপূগী ময়ূম ইম্ফোল সিফাইনা য়োল্লগা লৈহল্লি। পান্থৈ লৈত্রবা মীয়ামগী অৱাবশিং থেমজিনবা ওইনা ঐখোয়গী লৈঙাক্লা ঈরাং অসি লোইশিনবদা মতম খরদি চঙখিগনি হায়না য়াম্না ময়েক শেংনা মাঙ্গোল কাচিন্দগী লাউথোরকখ্রে। হৌজিক পাল্লিবা বি জে পিগী লৈঙাক অসিনা মরা চেৎলবা মতমদা নোংমা নৎত্রগা নোংমদি মীতৈনা চুম্মী হায়বসি দেল্লীদগী হায়রক্কনি। মসিদবু লৈঙাকপশিং নুংশিদবা ঙল্লিব্রা।

হৌজিক হিংলিবা মীতৈ ঐখোয়সে কয়াদা লাইবক ফরবনো। তাঞ্জা চারুদুনা খরগা কুইনা হিংলবদি হৌজিক ৱারে হায়রিবসি মসিনদুম হেন্না নুংঙাইরবনি। চথরিবা লান অসি মায় পাক্লনবা ঐখোয় অমত্তা ওইনা পূনশিল্লগা থেংনগদবনি হায়রিবা ঐখোয় ময়ামগী য়ূমশিং চেকপলনা ইকোয় কোয়না খাজিল্লগা য়োৎকী অচৌবা শো লোন্নরি। লোং লিভ মণিপুর। মণিপুর ইমানা য়াইফরে। ●

# কুম পুরবা লান অমসুং চৈথেং নংলিবা থৱায়শিং

- ঙাংবম থবাতোম্বী -

হিক্তোকপা ঙমদ্রবা অহকপা চৈরাক অমগী অকনবা য়াথংবু ঙাক্লিবা কৈশুমশঙগী ফাদোকশিংগুম্না মীওইবনা শেম্বা কাঙলূপকী খুরবা মিৎয়েংনা শোকহল্লবা মনীং তল্লিবা পূক্নিং ৱাখলবু শেন্নজবদা মমশিল্লবা মায়থোঙশিংদুরা! পোত্থারবসু অৱাবদি কোকপা ঙমদনা অৱায়বা য়ূমগুল্লবা রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌনরিবা। করিনো খঙদবা, কদায় ফাওবনো উবা ঙমদ্রবা করম্বা মিকুপশিংনো ঙাইরিবগুম লাঞ্জেন্নরিবা থৱায়শিংনা তয়াং, তশোয়না লেপ্লিবা!!

কুমজা ২০২৩গী মে ৩ হৌখিদুনা পুরক্লে মতমগী ফিজিদা তনিক-তনিক হাপ্লদুনা কুমজা ২০২৪গী মে ৩, কাউঙমদ্রবা থম্মোয়শিংদা নীংশিংবগী মচুনা নৌহৌনা তৈশিনবীররে। ৱাহৈনা ফোঙদোকপদগী পূন্সিগী অৱাবতনা হেল্লগদবা, য়েংলুবদা উরিবদুদগী ওল্লবদি খল অমা, থম্মোয়গী চৈনাতনা লূমথরগদবা, নোংমত্তসু নীংলুদবা, থাজদ্রবা তমথীরবা কাঙলূপকী ঈরাংদা মৈচেন্নবিরবা থৱায়শিংনা তেংথাজবা ঙসিদি কুমজা অমা মপূং ফারক্লে। মমা ওইবী কনাগী পিবুক্লুংদা নাওপুজরকপা থৱায় কয়াসু তাইবঙ ফাওখ্রে। অদুবু লাঞ্জেন্নরিবশিংগী থৱায়শিংদি ঙসিসু শৈদাংদুনা অদুমক লৈনরি। কয়া অমনা মথৌ মঙম পাঙথোক্তনা ঙাইরি! মপুরোইবগী, মচাগী, মবুং-মৌপ্পাশিংগী, মপাগী শরূ মচেৎ অমত্তং নৎত্রগা মখোয়গী মশাদা পকখিবা ফি মতৎ অমত্তা ওইরবসু ফংলবদি খন্দুনা। অসিগুম্বা চরাংনরবা তংদু লৈতাদ্রবা ঙরাংগী কায়নবগী মীৎকী পি কংদ্রিঙৈদা ঙসিগী অৱাবনা কপহল্লিবা চৈনারকসিদা অমুকসু দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমা ওইরিবা ইন্দিয়াগী ফেষ্টিবেল ওফ দেমোক্রেসি চহী ৫/৫গী মতুংদা ১৮শুবা লোক সভা মীখলগী এম পিগী ইলেক্সনসু পাঙথোকখ্রে। অদুবু হন্দক পাঙথোকখিবা ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি ইলেক্সন অদুদা তুংগীদমক খল্লগা ইশানা পামজবা মীহুৎতা অকি অখং য়াওদনা ইশাগী ভোট থাদবগী হক 'ফ্রী এন্দ ফেয়র ইলেক্সন' অদু ভোটর খুদিংমক্তা ফংখিবরা? মণিপুরগী তম্পাক লমদা পাঙথোকখিবা ইলেক্সনদুদা ঙাকশেনগী থৌরাংগীদমক থল্লিবা সিক্যুরিটি পর্সনেলশিং ময়া তারবা কৈগুম উখিবসি তশেংনা লাইবক থীবনি। লোয়ননা ভোটরশিংবু আইদেন্টিফাই তৌনবা ইন্নর এজেন্টশিং অয়াম্বা মথৌ নিংথিনা পাঙথোকখি হায়না লৌগদৌরিবরা? পূম্নমক অসি মণিপুরগী ঙমখৈবু থুগাইবা পাম্বা কাঙলূপ অমগা মণিপুরগী শক্তম্থু কাইবা পামদবা কাঙলূপ অমগা, কাঙলূপ অনীগী তমথীরবা হাৎন-শুনবগী চহী অমা হেল্লক্কদৌরবা ঈরাংসিদা মায়কৈ লেপ্পা ঙমদ্রবা য়াইতোং ফমদোংবশিংনা খুর্জি পায়শিনবীখ্রবদা ঙাওচৎনরবা থৱায় কয়ানা পাম্থৈ থিরকপদা খুন্নাইসিদা পীরকপা তমথীরবা খুদোল অমনি। লাইবক থীবদি য়েংথীনবগী মৈনা মায়কৈ থুংনা চাক্লক্লিবসিদা মৈরিবু মূখৎনবগী চপ চারবা মীকুপ অমা লাল্লবদা করিগীদমক্তা অপূনবগী মশক কাইথরকপগুম ঈশিংগা থাওগগী মতৌগুম অদুক নুংনাংনখিবা। চিরোল য়াওদনা নমজা নমথেক্লবশিংবু পাউখুম পীবা ঙম্বা খূৎশাশিংনা থৌনা পুথোক্তুনা অমত্তা ওইনা পূনশিন্দুনা অশেংবা লংত্রিক লংবা থৱান্নীচাক অমা হেক্লবদি অৱাবগী মপৈগুম মল্লিবা মালেমসি খরা মখৈদি ঙাল্লকপসু য়াই; অদুবু অপীকপা তন্দন অমনা নুমিৎনি হায়দুনা নম্ফু হাফুদা মশোং ফন্না ঙাল্লক্লবদি ঐখোয় পূম্নমক অমম্বদা অদুমক ঈরাক্লমিন্নবা তারিবরা!

তোঙান তোঙানবা ফূরুপ কয়ানা খুন্দা লৈতারিবা, মান্নদবা লাইনীং লাইশোল চৎপা কাঙলূপ কয়ানা অপূনবগী শক্তম ওইরিবা লৈবাক অসিদা মণিপুরগী অপূনবগী শক্তম্থু থুগাইবা য়েলহৌ ফূরুপ মূখৎপা পাম্বা কাঙলূপ অমনা অকন অরিং শীংলদুনা লৌতুনবগী লাঞ্জং অমা খঙহৌদনা হৌরকখিবসি লাইবক থীবনি। তশেংনা হায়রগদি তূমদুনা লৈরিঙৈদা থাঙশাং হাইথরকপগুম্বনি। অদুবু লুরিবদি লান অসি নুপা থোক্লা শয়েং পাম্বোম ঙানদুনা নৎত্রগা নাকপাক নাকপাক লেপ্পরগা লান শোক্লবা লানফমদি কয়া য়াওদে। মণিপুরগী অপূনবা শক্তম্থু থুগাইদুনা মখোয়গী ওইবা ঙমখৈ অমা শেল্লগে থোরক্লিবা কাঙলূপ অসিদি উমং ৱামংদা লুমদুনা অমদি লৌতুনরদুনা মখূৎ চল্লবা থৱায়শিংবু মীনুংশি লৈতনা অফং অফংবা হাৎপা-তুপ্পা তৌদুনা মীওই খুদিংগী থম্মোয়বু থুগাইরিবা কাঙলূপনি, তৌইগুম্বসুং তমথীরবা কাঙলূপসি কনাগী পাম্বোম মরুমদা লেপ্লিবনো? মণিপুরগী অপূনবা শক্তম্থু থুগাইনবা হোৎনরকপদা মরৈবাকপু থৱায়দগী হেন্না নুংশিজবশিংনা মণিপুরগী অপূনবগী শক্তম কনগনি হায়দুনা থোরক্লিবা কাঙলূপসিগা কাঙলূপ অনীগী অকনবা য়েংথীনবগী ঈরাংসিনা লমদমসিদা হিংমিন্নরিবা মীপূম খুদিংমক চাউনা চৈথেং নংনরি। নোংমৈ কাপ্পগী, বোম পোকখায়বগী অহৌবা মখোল, হাৎন-শুনবা কৈদৌঙৈ লেপ্লক্কনি। শাংলবা য়াংদৌ লম্বীগীসু অরোইবা শরুক লৈ। হিদান্নরক্লিবা লমজেল্লোই কয়াগীসু অরোইবা পন্থুং লৈ। অদুবু শেন্থোক লম্বী লৈজদবা নোংম-নোংমগী শূর নোল্লগা চরা তাঞ্জবা মীচম মীয়াম কয়াদি কুম পুরক্লবা লানসিনা চাউনা চৈথেং পীরি। হনগৎনা নীংশিংলবদা শিঙম নাঙমদ্রবা থৱায়শিংগী নাহেখোল, তেকথ কাইথরবা সহরগী ফুরা-দলান, মপাং কায়নরা লোইজি লোয়াগী পোম্বী চেক্লাশিংগী খোঞ্জেল, য়াচঙলকপদা খুঙ্গংগী মচা কায়নরবী মমাগী মিকপ কয়া হৌখি, লোইখি, নীংশিংবতমক থম্বীরল্লগা মালেমগী অহানবা অমদি অনীশুবা লাঞ্জাও। মীওইবা খুন্নাইদা য়েংথীনবা অমদি হাৎন-শুনবনা পীরম্বা চৈনাদুবু ময়েক শেংনা উৎলদুনা! অদুবু ঐখোয়সু শোক্লরি লান অমদি পীল্লবসু চাউরবসু নাকল অনীমক্তা য়ূম কয়া মৈনা তুম্না চাকখ্রে, মীওই কয়া শিনখ্রে, কয়া অমনা লাঞ্জেন্নরি, কয়া অমসু থিবা ফংনদ্রি অদুবু লানগী ৱারোইশিন পুরকপগী মমিদি ইউ উবা ফংদে, নাকল অনী উংখৎনরি। উংখৎনবা অমদি হাৎতোক্লবনা লানগী ৱারোইশিন পুরকপা ঙমগদরা? য়েংথীনরিবা কাঙলূপ অনীবু লাকশিনবা ঙম্বা তুংগী অমদি মীচম মীয়ামগী পূক্নিংগী ইহুল খঙবা ঙম্বা মণিপুরগী অপূনবা ঙমখৈবু কাইহন্দনা ঙাকপা ঙম্বা লুচিংবা অমবু খৌরাংলি। অমুকসু হংনীংলি খুদৈ শেৎপা চমোৎনরবা লেংবান্দা পোপু লাঙ্গোল লেংথোংনবা; লৈখোম তৈবা মতমদুগী ঐখোয়গী ইপা ইপুশিংদুনা থম্বীরল্লিবা মণিপুরগী অপূনবগী শক্তম চাওখৎপগী য়ূম্ফমদা য়ারেক্লিবা ঐখোয়না ঙাকপা ঙল্লরোইদ্রা? ঙসিদি মণিপুরগী য়েলহৌ ফূরুপ ওইরিবা য়েলহৌ মীওইশিংনা মরিপুরগী মফম শিনবা থুংনা অকি-অখং য়াওদনা চৎপা ঙমখিদ্রে।

মমা ওইবীশিংনা নুংশিনা মতম্বাক্তা নাওকোঞ্জরকখিবা শেৎপা চাবা মনীং থুংদনা শারেপ তাঞ্জরকখিবা মবুক শিৎলবা মচা কয়া; অয়ূক্কী লিক্লা চোৎহন্দনা নুংথিলগী মৈশাসু ফংহন্দা মোন্দুম মোন্তেকথক্তা অৱাবা করিনো খঙদনা চাউজরকখিবা পূন্সি কয়া কয়াসু তমথীরবা লানসিদা পীখম্নখ্রে। তগাৎ-তগাৎ তেক্লিবা থৱায়শিংদুনা পীখম্নখিবদা কনানো নোল্লিবা? কনানো কপ্লিবা? তমথীরবা অকিবা ফংলবা লানসিদা শেৎন-খাইনহৌরবা ইমুং মনুংশিংদুনা মিকুপ অমত্তা পোত্থাফম খঙলমগদরা? শিবসু শিঙমদা, হিংবসু হিংঙমদা থম্মোয় লাইমন ওইরদুনা কয়াদা ৱাবা মৈচাক মৈপুনহৌরিবা। চৈথেং ফংলবা থৱায়শিংনা খুন্নাইসিগী শক্তম ওইরক্লি। অদুবু ওইরক্লিবা মণিপুরগী অপূনবগী কাইথরক্লবা শক্তমসিনা লৈখিদ্রবা অমদি লাইবক থীহৌরবা মখোয়গী থম্মোয়দা করম্বা খাঙঙমদ্রবা চৈনানো হাপ্লিবা। ঙসিদি জীপ, কারদা য়াওন্নরকখিবা, ঙক্তা টাই পুল্লম্বা পাঙ্গল্লবা মপা ওইবা কয়াসু পীল্লিবা মচানা ঐখোয়গী য়ূমদা হল্লসি হায়দুনা মখূৎ পায়দুনা চিংলবদসু খোঙফম লেংবা ঙমদনা নুপা ওইবগী মিৎলুদা ইরা হৌরি। মীওই কয়া কয়া রিলিফ কেম্পতা তাংজফম লৌরি। করম্নসু কাউগানি খোইরি নাওফম তাজখিবা, হোৎনজবগী হুমাং মমলনা হক্তুনা শাজখিবা অপূনবা ইমুংগী মশক পুরিবা নুংশিরবা য়ূম; অদুবু মণিপুরগী অপূনবগী শক্তম থুগাইবা পাম্বশিংনা হৌরল্লিবা লানসিদা মৈনা তুম্না চাকখ্রবা, মচেৎ তানা থুগাই য়ানখাইবিখ্রবা য়ূমশিংদুনা তাঙ্গৈই মপৈ ওইনা ঙাইরিদ্রা হল্লকপা য়ূম্থু-য়ূম্থুশিংদুনা? ঙসিদি মণিপুরগী মরাইবক তম্বা ঙমদ্রবা তমথীরবা লায়না অমনা হেদো নাহেরি লায়েংবীনবা লৈতনা। লুরবা, খুরবা কুহা অমগী মনুংদা পুখখিবগুম্লে অসুম অসুম। ●